# কে ৱাই সি (এন) খুরখূল এস ঐচ মনি শর্ম্মা নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী টিম ১১ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা কে ৱাই সি (এন) গ্রাউন্দ খুরখূলদা চত্থরিবা অহুমশুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী গ্রুপ- বিগী ৱিন্নর কে ৱাই সি (এন) খুরখূলনা ওইরগা ফাইনেলগীদমক লম্বা ঙাইখ্রে।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী মেটচশিংদা কে ৱাই সি (এন) খুরখূল অমদি কে এ এন কদাঙবন্দ মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী ১৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা এম এস সি মালোম অমদি কে ৱাই সি (এন) খুরখূলনা শান্নখিবা মেটচতা কে ৱাই সি (এন)না এম এস সিবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা কে ৱাই সি (এন) খুরখূলগী মায় পাক্তবা য়াদবা মেটচ অমা ওইবনা টিম অসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংনা মেটচকী মিনট হৌরকপদগী হৌনা মখোয়গী মপাঙ্গল ফুদোক্তুনা এম এস সি মালেমবু লাকশিন্না শান্দুনা চাঙ নায়না তকশিন্দুনা প্রেসর পীশিনখি।

প্রেসরশিং অদুগী মহৈ ফঙদুনা মেটচকী মিনট ১০ চৎপদা কে ৱাই সি (এন) খুরখূলগী জর্সি নম্বর ৯ কে ঐচ সঙ্করনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। সঙ্করগী গোল অসিনা মহাক্কী টিমদা অহেনবা থৌনা হাপকৎলদুনা এম এস সি মালোমগী দিফেন্দরশিংবু কয়ারক হন্না মীপায়বা পোহনখি।

মেযচকী মিনট ১৭ চৎপদা কে ৱাই সি (এন) খুরখূলগী জর্সি নম্বর ১৬ টি ঐচ বেন্সননা কাওশিনখিবা বোল অদু মালোগী গোল কিপ্পরনা নীংথিনা কলেক্সন তৌবা ঙমহৌদবদগী খুরখূলগী অনীশুবা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এম এস সি মালোমনা শোত্থরিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা শান্নরিঙৈদা কে ৱাই সি (এন) খুরখূলগী জর্সি নম্বর ১৩ এন জি ছলজিৎনা মিনট ৮৮ চৎপদা টিমগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা কে ৱাই সি (এন) খুরখূলগী জর্সি নম্বর ১৭ এস মৈরাবাদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি ঐচ রোবিন, টি ঐচ রাঘু, সি ঐচ পানমৈ অমদি এল অজিৎনা মথং শিংনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগকী ১৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা কে এ এন কাদাঙবন্দ অমদি এম এস ঐচ উরিপোকনা শান্নখিবা মেটচতা কে এ এননা এম এস ঐচপু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা কে এ এন কাদাঙবন্দগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ২ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা গোল ১ চনখি।

মেটচকী অঙনবা মিনট ৩ দা কে এ এন কদাঙবন্দগী জর্সি নম্বর ১৫ ৱাই জেক মৈতৈনা মেটচকী গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুংগী মিনট ১১ কান্নরগা ১৪ চৎপদা কদাঙবন্দগী জর্সি নম্বর ৯ সোলোমোন থাঙ্গনা টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৫০ চৎপদা কে এ এন কদাঙবন্দগী জর্সি নম্বর ৭ ৱাই অমরজিৎনা এম এস ঐচ উরিপোককী দিফেন্দরগী অশোয়বগী তাঙ্গদা কদাঙবন্দগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা মেটচ অসি ৩-০ দা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা কে এ এন কদাঙবন্দগী জর্সি নম্বর ৪ এল রোসনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি ঐচ রাঘু, টি ঐচ রোবিন,সি ঐচ পানমৈ অমদি এল অজিৎনা মথং শিংনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

## শেপাকটাক্রৌগী ত্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (এস এন এস)ঃ

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা হৌখিবা থা অসিগী ১৩ দা পীখিবা য়াথংগী মতুং ইন্না য়াস দিপার্টমেন্টনা থা অসিগী ১৯ দা তেলঙ্গনাগী হায়দ্রাবাদতা চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ১১ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৩ শুবা জুনিয়র নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ ইন সেপাকটাক্রৌ ফোর বোইজ এন্দ গালর্সতা শরুক য়ান্নবগী শান্নরোইশিং খন্নবগী ইন্ত্রিম কম্মিটি অমা শেমখি।

কম্মিটি অসিনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মমদা য়াসকী দিপুটি ডাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস লুঙখোশৈ হাওকিপকী ওফিস চেম্বরদা দিপুটি ডাইরেক্টরনা চিয়র লৌদুনা মীটিং পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা মীটিং অদুদা শরুক য়াখিবশিং অদুদি- দব্লিউ জিতেন, পি দুরজিৎ, সুন্দর পি, টি ঐচ মঙ্গিচান্দ সিংহ, সি ঐচ জেকান অমদি এম ফাইরেনঞ্জাওবানি।

মীটিং অদুদা মথক্কী পনখিবা নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ান্নবগী ষ্টেটকী টিম শেম্নবগী ষ্টেট লেভেল ত্রাইয়েল কম সেলেক্সন টেষ্ট অমা থা অসিগী ২৩ গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা হায়না য়ান্নখি।

লোয়ননা ত্রাইয়েল অদুবু মওং মরিন নায়না পাঙথোক্লবগীদমক টি ঐচ মঙ্গিচান্দ অমসুং পি দুরজিৎ কনভেন্নর অমদি কো-কনভেন্নর ওইনা অদুগা দব্লিউ জিতেন, সি ঐচ জে সকান, সুন্দর পি অমদি এম ফাইরেনঞ্জাওবনা মেম্বর ওইনা সেলেক্সন কম্মিটি অদুগী খনখি। লোয়ননা শান্নরোইশিং খনবা লোয়রবা মতুংদা রিপোর্টশিং অদু ইন্ত্রিম কম্মিটিগী চিয়ারমেনদা পীশিনগদবনি হায়না দিপুটি ডাইরেক্টর স্পোর্টস য়াসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ওফিস বিয়রর খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (এস এন এস)ঃ

ক্রিপসা নাওরেমথোংগী নৌনা চহী ৩ গী ওইনা থৌ পুগদবা ওফিস বিয়ররশিং খনবগী ইলেক্সন থা অসিগী ১৭ নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা এস নবাচন্দ্র সিংহনা প্রসিদেন্ট, এস মুকোন্দো, এ বিমোলনা ভাইস প্রসিদেন্ট। টি ঐচ হেমচন্দ্র সিংহনা জেনরেল সেক্রেটরী, এল চাউবা, এস ধ্রুবা, এ সুরেসকুমারনা এষ্টিটেন্ট সেক্রেটরী অমসুং টি ঐচ শিলা দেবীনা ত্রেজরর ওইনা খনখ্রে।

## বিন্দেশ্বরী চনু চীফ টেক্নিকেল কনভেনর ওইনা খল্লক্লে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (এস এন এস)ঃ

ইন্টরনেস্নেল শিতো রায়ু কারটে ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা থা অসিগী ২৯দগী দিসেম্বর ১ ফাওবা ওডিশাগী জার সুগুধাদা লৈবা স্পোর্টস কম্পলেক্স ম্যুনিসিপালিটি ওফিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬ শুবা আই এস কে এফ নেস্নেল ওপন কারটে চেম্পিয়ন্সিপ্তা চীফ টেক্নিকেল কনভেন্নর ওইন্নবগীদমক নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা মরিপুর এমেচর কারটে-দো এসোসিয়েসনগী সেচৈ সোইবম বিন্দেশ্বরি চনু খল্লক্লে হার্য়রি।

বিন্দেশ্বরি চনু ইন্টরনেস্নেল জজ ওইবত্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী ওইনা কাতা অমসুং কুমাইততা ৱার্ল্ড কারটে ফেদরেসনগী সাইটিফাইদ কোচ ওইবা অহানবা নুপীনি।

মহাক হৌজিক হৌজিক পাৎসোই পার্ট ১ দা লৈবা আই এস কে এফ কারটে ত্রেন্নিং স্কুলগী ইন্সষ্ট্রক্টর অমসুনি।

## গোপাল দেব কাঙখূৎ ফাইনেলগী লম্বা ঙায়খ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েংমখাদা গোপাল দেব কাঙখূৎ য়াইস্কুলনা শীন্দুনা টিম ৭ না শরুক য়াদুনা গোপাল দেব কাঙশঙদা চত্থরিবা ৫ শুবা শ্রী শ্রী গোপাল দেব চহী ৬০ মথক্কী সুপর লীগ কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা গোপাল দেব কাঙখূৎ য়াইস্কুল মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখ্রে।


ঙসি গাপাল দেব কাঙখূৎ য়াইস্কুল অমদি শিংজমৈ কাঙখূৎনা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা গোপাল দেবনা শিংজমৈবু পাঞ্জল ২৪-২২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা গাপাল দেব কাঙখূৎ য়াইস্কুলকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১১ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৩ স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা শিংজমৈ কাঙখূৎগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৯ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৩ স্কোর তৌখি।

মায় পাক্লবা গাপাল দেব কাঙখূৎ য়াইস্কুলগী কাঙলোয়শিং অদুদি - ও পুর্ণচন্দ্র শর্ম্মা, পি চূড়ামনি শর্ম্মা, আর কে জি লাসনা, ৱাই সমানন্দ, টি ঐচ প্রিয়োকুমার, এন সোরনাচান্দ, পি ঐচ জয়, জি শ্যামকুমার অমদি এল ব্রাজমনিনি।

মায়থিরবা শিংজমৈ কাঙখূৎগী কাঙলোয়শিং অদুদি-লালহারি, কান্ত, এল ইনাও, ও ইবোহল সিংহ, এল নবাকান্ত সিংহ, ও নবধ্বিপ, এস শ্যামসুন্দর সিংহ অমদি আর কে গোজেননি।



Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*